# পুম্বা অসিগী মরমদা নোললুকচবা।

মীতৈ ঐখোয়গী লৈসেমচৌঙদগী লৈরক্লবা মীয়ান চংলকক্রিচৌঙগী মমাং ঈপা, ঈপু, ঈপুথৌ লাইসিংনা থম্বিরম্বা মীতৈ ময়েক ১৮ গী হৌরকফম ওইবা 'ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" কৌবা পুম্বা অসি ফোংবগী মরমদা লৈপাক মীয়ামগী মফমদা নোললুকচরি মীওইবা হায়বা ঐখোয়না, মশা মশাগী ওইবা লোল অমসুং ময়েক হায়বা অসিবু লৈত্রবদা ফুলুপ জাতি) অমানি হায়বা ওইবা য়াদে হায়নরি। অদুগা ফুলুপ নাইদ্রবা মীওইবনা তাইপং মাগী মরক্তা শরুক থুংবা লৈত্রে হায়নরি।

মরম অদুদগী মালেম (পৃথিবী) অসিগী মনুংদা ঙমথৈ লৈতনা অৱাংবা থাক্কী চাংতম্নরমলবা লাইগী মচা মসু ওইরবা মীতৈ ঈপা-ঈপু ঈপুথৌসিংগী মচা ঐখোয়না ময়েক অমসুং লোল লৈতবগুম্না মতম কুইনা লুপখিবদগী, লৈখা তাবগী মওংদা লৈরকপনা, ইকাইবা কয়া নংলি অমসুং অৱাবা কয়া খাংলি। অসুম তৌনা করিসু খংজদবা ঐনা মীতৈ ঈপা ঈপুগী লিচৎকী লৌথুনবু থিজরকপা চৈহি কুমসিং ১৫ হেল্লকলে। চৈহি ১৫ রোম অসিগী মমাং অমসুং মনুংদা মপুগী থৌজান্দগী ঐহাক্কী লাই ওইখরবা ঈপুথৌসিংনা সিজিন্নরম্বা অমসুং থম্বিরম্বা চৈহি মতম কুইরবা লাইলিক (লাইরিক) কয়া অসি পাজচুনা য়েংজরকপা মতমদা পুম্বা অসিদ— "লাইলিক অসি মতম ওইরগা পুথোকপিগদবনে" হায়না ইবিরমমি।

পুম্বা অসি মফম কয়াদসু পাথোকচখরে, অদুবু ফোংনবগী মরিদা কনানসু খন্নবিখিদে। মতম ওইদ্রিমাদেহায়না খনজচুনা মপুগী নোংদম ঙাইচুনা লৈজরকপদগী, মতমগী খোঙচৈদ ওইরকপনা মপুগী খৌজান্দগী পুম্বা অসিগী মতিক মম্নাই খঙবিরবা মীতৈ লৈবাক্কী অচৈ অসিং অয়াম্বগী খোল্লাওদগী, অমসুং মীতৈ লিচৎ শাজৎ শেমগৎপা কাংলুপনা তাকপিরকপা ; অমুক থোইদোক হেন্দোকনা ময়েক লুপতিনগী ইডিটোরিয়েল বোর্ডকী লুচিংবা মপুগী মনাই— লাইসম মনাওবী ইয়াম্বা ইবুংঙোগী মচেংদগী, লৈপাক

মীয়ামনা মীতৈ ময়েককী হৌরকফম লংলা লংজিন থিরকপদা পুকনিং লৌশিং ওইগত্রা খঞ্জদুনা পুয়া অসি ফোংজবনি।

পুয়া অসি ফোংবদা মীতৈ ফুরুপপু নুংসিবিবা ঈপা-নাৎ, ঈপু-নাৎকী লিচৎ অমসুং ঈমালোলগী—লৈথুলবু অমসুং মীতৈ ময়েকপু করম তৌরগা পুখৎকদগে. হায়না অহিং নুংথিল অনিমক্তা মখোদাং ওইনা খন্দুনতা। লৈবিরবা মতিক ময়াই লৈরবা উয়াঙ্গা ইবুংঙো লাইসম মনাওবীনা থৌরাই হুকচাং য়াওবগা লোয়ননা হোৎনবিদুনা পুয়া অসিবু ফোংবা ঙমজবা অসিদা, পুনসিগী কাউবা লৈতনা ইকাই খুম্নবা উৎচরি।

মখংদা ইকাই খুম্নরবা, মীতৈ লৈপাক্কী মাইফংবগী মরিদা মসাগী ওইজবা থাদোকতুনা, "লৈপাক্কী মনাই ওইজরব।" ঈয়াঙ্গা ইবুংঙো লাইসম কানহাটবু অমসুং ইনাও ইবুংঙো মাইপাক সনা অমসুং ? চৎশাজৎকী থৌ পুবিরিবা ইবুংঙোশিং পুন্নমকপু ঙমথৈ লৈতনা থাগৎচরি।

অরোইবদা থোইদোক হেন্দোক্লা লৈপাককী মতিক ময়াই লৈবিরবা অতৈ অসিং পুন্নমনা ফোংজরিবা পুয়া অসিবু লৈনবিদুনা মতম কুইনা লুপতুনা লৈরুরব। মীতৈ ঐথোয়গী ময়েক অমসুং ইমা লোলবু মালেম অসিদা অতৈ ফুরুপ ( জাতি ) কয়াগী ময়েক অমসুং লোলনা ঙানবগুম্না ঙালহনবিয়ু হায়না হন্না হন্না নোললুকচরি।

নোললুকচরিবা—
মপুগী মনাই-থোকচোম থোকাচানপা মীতৈ
সনা লৈপাক ( মনিপুর ) ঈমফম (ইম্ফাল)

ইমাম,
1960-61



# পাবগী মওং খরদং

লৈপাক্কী ইবুংঙো ইবেন্মা অহৈ-অসিং পুন্নমক্না ফোংজরিবা পুয়া অসিবু মিংয়েং তাবিদা মীতৈ ঐখোইগী মসাগী ওইবা অরিবা ইয়েক ১৮তনা ইবা কংলৈপাক্কী ঈপানাৎ ঈপুনাৎকী ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোল ইন্নুং ইয়েক, খুন্নুং ইয়েক, খোম্থোক্কী ইরাই ইনিনতনা ফোংবা ওইবনা হৈজিক্কী মতমগী লোনগদি খরা তৈনরগনি হায়না নিংজৈ। অমসুং মীপুম খুদিংমক্না খঙননবা লৈনবদা খুদোং চানবা *মীতৈ উনম ময়েক লৈজজ্রিবনা অমসুং মীতৈ ময়েক অসিবু খংবা য়াামজ্রিবনা পাবা ঙমনবা বাঙ্গলা ময়েক্না ফোংজবগী লোনচন ( বনানগী ) অয়োন অরানবা কোংগাইদি লৈপাক্কী ইবুংঙো ইবেন্মসিং পুন্নমক্না ঙাকপিগনি হায়না নোললুকচরি।

মরম অসিনা পাবিবদা খুংলোইনবা মখাগী লৈয়ি কারলনা করুবা ময়েকসিং অসি য়াওদনা পাবিনবা নিসিংজরি।

---

[****]

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ক | খ | গ+ | ঘ+ | ঙ | অ | আ | ই | ঈ |
| চ | ছ+ | জ+ | ঝ+ | ঞ+ | উ | ঊ | ঋ× | ৯× |
| ট+ | ঠ+ | ড× | ঢ+ | ণ+ | এ | ঐ | ও | ঔ |
| ত | থ | দ+ | ধ+ | ন | | অং | অঃ× | |
| প | ফ | ব+ | ভ+ | ম | | | | |
| য+ | র+ | ল | ব | শ+ | | | | |
| ষ+ | স | হ | ক্ষ+ | ড়+ | | | | |
| ঢ়+ | য় | ং | ঃ+ ঁ+ ৎ+ | | | | | |

# ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক।

## পুমিত।

লাইয়ামশিংনা ইনুংলোন খুনুংলোল লেপ্পগী খোনথোক ইৱাই ইনিন।

| হিরম | | | | লমাই |
|---|---|---|---|---|
| ১। ꯀ | (কোক) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ১৫ |
| ২। ꯁ | (সম) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ১৭ |
| ৩। ꯂ | (লাই) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ১৮ |
| ৪। ꯃ | (মিত) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ২০ |
| ৫। ꯄ | (পা) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ২২ |
| ৬। ꯅ | (না) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ২৩ |
| ৭। ꯆ | (চীল) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ২৫ |
| ৮। ꯇ | (টীল) | ইয়েক্কী | হৌরকফম | ২৬ |

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ক | খ | গ | ঘ | ঙ | অ | আ | ই | ঈ |
| চ | ছ | জ | ঝ | ঞ | উ | ঊ | ঋ | ৯ |
| ট | ঠ | ড | ঢ | ণ | এ | ঐ | ও | ঔ |
| ত | থ | দ | ধ | ন | | অং | অঃ | |
| প | ফ | ব | ভ | ম | | | | |
| য | র | ল | ৱ | শ | | | | |
| ষ | স | হ | ক্ষ | ড় | | | | |
| ঢ় | য় | ং | ঃ ঁ ৎ | | | | | |

# ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক।

## পুমিত।

লাইরামশিংনা ইনুংলোন খুনুংলোল লেপ্পগী খোনথোক ইরাই ইনিন।

| হিরম | | | | লমাই |
|---|---|---|---|---|
| ১। ꯀ | (কোক) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ১৫ |
| ২। ꯁ | (সম) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ১৭ |
| ৩। ꯂ | (লাই) | ইয়েক্কা | হৌরককম | ১৮ |
| ৪। ꯃ | (মিত) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ২০ |
| ৫। ꯄ | (পা) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ২২ |
| ৬। ꯅ | (না) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ২৩ |
| ৭। ꯆ | (চীল) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ২৫ |
| ৮। ꯇ | (তীল) | ইয়েক্কী | হৌরককম | ২৬ |

| হিরম | | | | | লমাই |
|---|---|---|---|---|---|
| ৯। | ꯈ | (খৌ) | ইয়েক্‌কী | হৌরককম | ২৭ |
| ১০। | ꯉ | (ঙৌ) | 〃 | 〃 | ২৯ |
| ১১। | ꯊ | (থৌ) | 〃 | 〃 | ৩০ |
| ১২। | ꯋ | (ৱাই) | 〃 | 〃 | ৩২ |
| ১৩। | ꯌ | (য়াং) | 〃 | 〃 | ৩৪ |
| ১৪। | ꯍ | (হুক) | 〃 | 〃 | ৩৬ |
| ১৫। | ꯎ | (উন) | 〃 | 〃 | ৩৮ |
| ১৬। | ꯏ | (ঈ) | 〃 | 〃 | ৪০ |
| ১৭। | ꯐ | (ফম) | 〃 | 〃 | ৪৩ |
| ১৮। | ꯑ | (আতীআ) × | 〃 | 〃 | ৪৫ |
| ১৯। | [illegible] | (অমা) | 〃 | 〃 | ৪৮ |
| ২০। | ꯛ ꯜ ꯝ ꯞ | | | | |
| | ꯟ ꯠ ꯡ ꯢ | [লোনসুম] | 〃 | | ৫০ |

[III]

| হিরম | | | | | লমাই |
|---|---|---|---|---|---|
| ২১। | ꯣ | (ওতনপ) | ইয়েক্‌কী | হৌরককম | ৫১ |
| ২২। | ꯤ | (ইনপ) | 〃 | 〃 | ৫৩ |
| ২৩। | ꯥ | (আতপ) | 〃 | 〃 | ৫৪ |
| ২৪। | ꯦ | (ঈনপ) | 〃 | 〃 | ৫৫ |
| ২৫। | ꯧ | (সৌনপ) | 〃 | 〃 | ৫৬ |
| ২৬। | ꯩ | (য়েত্নপ) | 〃 | 〃 | ৫৭ |
| ২৭। | ꯨ | (উনপ) | 〃 | 〃 | ৫৮ |
| ২৮। | ꯩ | (চৈনপ) | 〃 | 〃 | ৫৯ |
| ২৯। | ꯪ | (নুং) | 〃 | 〃 | ৬০ |
| ৩০। | \| | (চৈখন) | 〃 | 〃 | ৬৭ |
| ৩১। | ॥ | (চৈখৈ) | 〃 | 〃 | 〃 |
| ৩২। | • | [লুম] | 〃 Page 67 | 〃 | 〃 |
| ৩৩। | – | [অপুন] | 〃 | 〃 | 〃 |
| ৩৪। | × | [খুতম] | 〃 | 〃 | 〃 |

[illegible] -67

[illegible]

# ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক

লাইলিক অসি কলিপিনি ৱাচা মহালাচকী হাকথক্তা সিনথোকপনে লেপনা খংপিৱো।

কলিপিনি ৱাচা মহালাচা হাকথক ফাওপতা চৈহি কুমসিং লি চৈসিঙ চৈচত ৩১০৭ সুলাপানে। ইঙা থা ১৭ নি পালপা নুমিততা সিনথোকপা হোৌপনা,— ইঙেন থাকী ৩ নি পালপা নুমিততা লোইয়ে।

লাইলিক অসি থোকচোম থোকচাও পাংকনপকী মপুথৌনা সিচিননালমপা লাইলিকনে।

লাইলিক অসি ইনুং ইয়েক, খুনুং ইয়েক সুপলপা লাইলিকনে লেপনা খংপিৱো।

# ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক

( *হুং সিতাপা )

*হুং, *হৈং, *হাং, *হেং, খোইয়ুম লাইনিংথৌ। আতীআ কোইলৌ সিতাপাপু খুল্লুমনা ইচাকে। হুচিকতি তাখিপিকুনো, ইয়েক চকপা লোনকী ৰাপু হায়চকে। *হৈং-চক, *হাং-চক, *কোন-চক, *লাং-চক, চক মলি অসিকী ৰাপু সিতাপা মপু ইপুং লোইনপা মপুনা নুংপুঙ ৰাখন্তকী মালেম লৈসাপু ইনুংপুঙতকী---

ফুক্কত চিংখত থাংকতলক্পা মতমতা, নুংপুঙ ৱাখন্তকী থোকখিপা। ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন্ পুকোক পুয়ানা খাকপা লৈতনা, অমাতি চক মলি অসিকী মথকতা ওইঙমখিপা। অমাতি চক মলি অসিকী মন্নুংতা ওইঙম্লকপা কয়াকী মলমপু অপোই-ননা মচা মাইচৌনা ৱালি লিপিয়্রো হায়না লাই পাক মীয়ামকী নিংথৌনা, মাইচৌ মলিকী অমাতি— অপোই-ননা মগাকী মফমতা ৱাকত্ চৈয়ে।



ননা মাইচৌনা ৱালি লিয়ে, চকপালম মচা মাইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে, অতুকা মাইচৌ অহুমসু তাপিব্রো। অমাতি লুৱাংচম মচা মাইচৌ, অনিতি ৱাহিংপম মচা মাইচৌ, অহুমতি চিংকাংপম মচা মাইচৌ ৩ অসি য়াওনা কংলৈয়োনতা পুংমৈয়োনতা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙতা ফমপাল লাংলিঙৈতা ৱাকোকলোন ১ তি ৱাহৌলোন ২ তি ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোল, অসি খৈপিককী ৱাপু মঙাং সলাই ঈকী ঙাসাপা নিংথৌকী ৱালি লিখুনপু ননা মাইচৌনা,

মাইচৌ ৪ নে, লাইপাক মীয়ামনে, অসি খৈপিককী নকমতা হায়লকয়ে।

হে নিংথৌৱো নপুক পিনা নাকোং থননা তাউ-ৱো হাইলপানে, তিংপালপকী মপু ইপুং লোইনপা অপকপানা। তলং ওইনা লৈলিঙৈ তিংপালপা ১কী মওংপু লেপতালিঙৈ। মৈ, ইসিং, নুংসিত, নুমিত, থা, থৌৱাই মিচাক, অমম অঙান খাইতালিঙৈ। পুমনামকনা লৈতালিঙৈতা মথননা ওন্না ওন্না তলং মালং ওইনা সাইওনতুনা লৈলিঙৈতা, তলং



অতিংপপু ইপুং লোইনপা অপক্পনা, তলং মালং-না ঈম্ ওইনা হাইনা হুমনা অসুমনা লৈলিঙৈতা। মালেম নোংথৌ মনুং ওইননাপা সেমকে নিংলককলে।

১ অমা হাঁৱলিপা মপুনা তলং মালং ওইনা হাইনা হুমনা লৈলিঙৈতা। মপু সিতাপাকী নুংপুং ৱাখন্-না ইনুংপুংতা লুপখিতুনা মালেম লাইসাপু ফুক্-কত্ চিংখত্ থাংকত্লক্পা মতমতা ইনুংপুংকী সাইওন্না কামপি, লাইচা, মালংপা চোংথোকলে। মালেম নোংথৌ ইয়েক মওং লেপ্খলে। মালেম

নোংখৌ ২না উয়ুংচৈ ওইনা লেপখলে। উয়ুংচৈ মনুংতা তাইনপা মলক্তা কামপিং লাইচাং মালংপা চাইনলে। মৈং ঈসিং নুংসিতং অতুম ওইপা মৰোংপু ইপুংঙোনা ওন্‌না ওন্‌না সাইৰোললে।

১ অমা নৈপা মলমনা ইন্নুংলোন্‌না কামপি হায়না কৌখলে। খুন্নুং লোলনা মৈ হায়না হায়খলে। ২ অনিতি ইন্নুংলোন্‌না লাইচা হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা ঈসিং হায়না হায়খলে। ৩ অহুমতি ইন্নুংলোননা মালংপা হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা



নুংসিং হায়না হায়খলে। ৪ মলিতি ইন্নুংলোন্‌না মালেম হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা লাইপাক হায়না হায়খলে। ৫ মঙাতি ইন্নুংলোননা নোংখৌ হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা আতীআ হায়না হায়খলে। ৬ তলুকতি ইন্নুংলোননা কোইদ্ধৌ হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা নুমিং হায়না হায়খলে। ৭ তলেপ্‌তি ইন্নুংলোন্‌না ঈহিলেল হায়না কৌখলেং খুন্নুংলোলনা থাচা হায়না হায়খলে। ৮ নিপানতি ইন্নুংলোননা থৌৱাই মিচাক অপকপা হায়না কৌখলেং খুন্নুং

লোলনা খৌৰাই মিচাক পী মলিক নিংখৌ সিতাপা হায়খলে। ৯.মাপনতি ইনুংলোননা সচিকনু হায়না কৌখলে, খুনুংলোল্না সচিক হায়না হায়খলে। ১০ তলাতি ইনুংলোন্না থাপাতোন হায়না কৌখলে, খুনুংলোলনা থাপা হায়না হায়খলে। ১১ তলামা-খোইতি ইনুংলোননা খোমচোম হায়না কৌখলে, খুনুংলোলনা নুপি হায়না হায়খলে। ১২ তলানি-খোইতি ইনুংলোননা সচুং হায়না কৌখলে, খুনুং-লোলনা তিলহৈপা হায়না হায়খলে। ১৩ তলাহুম-



খোইতি ইনুংলোন্না মোংকা হায়না কৌখলে, খুনুংলোল্না সলংকা হায়না হায়খলে। ১৪ তলা-মলিতি ইনুংলোননা ৰোক্পুলোই হায়না কৌখলে, খুনুংলোল্না তাউহুইলেং হায়না হায়খলে। ১৫ তলামঙাতি ইনুংলোন্না লৈচিন হায়না কৌখলে, খুনুংলোলনা নোংফাই হায়না হায়খলে। ১৬ তলা-তলুকতি ইনুংলোন, খুনুংলোল্না, চুমথাং হায়না হায়খলে। ১৭ তলা-তলেপতি ইনুংলোন খনুংলোল্না নোংথাং কুপ্পা হায়না হায়খলে। ১৮ তলানি-

পান্তি ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোলনা, নোংথৌ খোংপা হায়না হায়খলে। ১৯ তলামাপনতি অমা হায়লিপা ইপুং লোইনপা অপক্পনা খোৱাই মিচাক চৈ য়োম (৭) মাপু ইন্নুংলোন খুন্নুংলোলনা চৈয়োন (৭) হায়-না হায়খলে। অতুম ওইলপা সাইৰোন লাংৰোন-কী ইয়েক ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোল অসি খৈপিক-তি ইপুং লোইনপাকা অমত্তনে শংপিৰো। ১ অমা হায়লিপা সিতাপা মপুকী হুকসাং লাংপুমকী ইপুং কয়াত্কী লাইফম লাইনিং মফমনে লেপনা



শংপিৰো। অসিকী মতুং ইন্না লাইপুংথৌ ৭কী ইয়েক পথাপ কায়তনা ১ অমাতি নোংপোক চিং-খৈ অপানপনে, ২ তি অৰাংপা কৌপালুনে। ৩ অহুম-তি থাংচিং কোইলেল লাই সিতাপানে, ৪ মলিতি থানা চাওপা ৰাংপুলেল লাই সিতাপানে, ৫ মঙাতি ইলাই পুলেল পুলিং লাই সিতাপানে, ৬ তলুক্তি লাইনিংথৌ পাংকন্পানে, ৭ তলেপতি সলাইলেল সিতাপাকা থানা ৭ না লাইপুংথৌনে।

৮ নিপানতি কোনসেন তুলৈ সেংপা সনা ঈ

মহিনে, ৯ মাপনতি মী খলৌপানে, ১০ তলাতি
কোনচিন তুকথাপা ইপু অখৌপা পাখংপানে। অস্নুম
তৌনা ওইনপা ইপুং লোইনপা অপক্পানা সাইৰোন
পুথোকতুনা, মালেম লাইসাপু ইন্নুংপুংতকী ফুক্-
কত্ চিংখত্ থাংকত্খিয়ে হায়পাকী থাংচিং হায়না
কৌখলে।

১ অমাতি মী খলৌপাপু য়েংতুনা লাইনিংথৌ
লাইলেল্মা (২) মানা সমু মাইৰোক্ননা সনা কম্পান্
লাংতা কম্তুনা হৌলক্পকী সাইৰোনকী মতুং ইন্না



লাইমিং ১৮ অসিনা তিংপানপাকী কয়াত্ লাইকম্
অমা লেপ্খলে। তিংপান্পা অমাকী কয়াত্কী লাই-
মিংপু তাইপং পাল্পা অমাকী কয়াত্তা ইন্নুংলোন্
খুন্নুংলোলকী ইন্নুং ইয়েক, খুন্নুং ইয়েক হায়না,
ইয়েক ঈপি লাইয়েক অসিকী ৰালি লিখুলপু খক্-
লে, খৈলে, লোমলে। খলৌপাকী মহাকথক লাই-
কী পন্খৈতি লোমলে, অস্নুমনা হায়তুনা কোন-
সেন তুলৈসেংপা সনামহিতা, ৰাকী মকোক্ ৰা-
কোক্লোন, ৰাহৌলোন, ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোল্

অসি খৈপিক্কী ইৱেক ঈপিগু লাইনিংথৌ সলাই-লেল্কী কোলোই ময়াখংগু হিক্তোক্পা লৈতনা, লৈমালেল্ সিতাপিনা লৈৱেংতা লৈপি ইৱেক লৈ-মা, লৈয়াইতা লৈপি লাইখুলেল্পি, লৈতোন্তা লৈপি লাইনৌ তাপি, অহুমমক্ অসি সাইৱোনতুনা, মপালি ইপুংঙো কোনসেন তুলৈসেংপাতা, পাও-মেনতুনা তাকপিখিৱে।

---



 (কোক)

__ইৱেক (১–তি)__

হে মীওইপা তাপিৱো। তাইপংপাল্পা মপুকী কোনগু ইৱেক ৱাকোনপুং কৌৱে। ৱাকোন পুং-কী করাত্ লাইফম্কী লাইমিং অমাতি, তাইপং-পাল্পাকী মায় সিতাপিনা সলাইকী ফীসেত্ ৭ মক নোংলোন্ ৭ মক্কী মচু ৭ মক্ অসি খৈপিকপু মকম অতুতা লিনা লৈপনে।

লাংবোন খুতিংকী মী, সা, খোংলি লাওলিপা অসি থৈপিককী পুথোকনাকম্নে। মচু মমেন মেত্-থোক্নাকম্নে, অতুকী মলমনা মম্লাইতা মৈলা চীং লৈপানে। মাকী লাইমিং মমিংতি হুং কৌয়ে। ইয়েক অসিপু ইন্নুংলোন্না ৰাকোন কৌয়ে। খুন্নুং-লোল্ খোনথোক ইনিন্না কোক কৌয়ে। কোক্কী ইয়েকতি অসিনে ([illegible]) লেপ্না খংপিবো।

---



# ꯁ (সম)

## ইয়েক (২—তি)

তলং ইপুং লোইনপা অপক্পা মসানা ওইপা মিহুন সম, তু, খুচিন্নাচিংপা সিংলি পাকন ১০৮ মিহুন ৮৪ তাংসমলি ২৭ থাপুং ১০ কী ঈফা ঈমেন্-কম্, থোংলোন ৯ পনখৈ ৮ ইলম ৭ কয়াত্কী কা ৬ নখোইসুং ইপুং লোইনপা অপকপকা লোইনলিপা মসেন্নে।

মাকী লাইমিং মমিংতি ইন্দুংলোন্না সিংলি কৌ-য়ে৹ খুন্দুংলোল খোনখোক ইনিন্না সম কৌয়ে। সমকী ইয়েকতি অসিনে (ꯁ) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯂ (লাই)

ইয়েক (৩—তি)

তাইপং পাল্পা মপু সিতাপানা খংতপাপু খংহল্-



লে। লাইকী লাই অলুপানা খুনা হান্না লৈলে হায়-পকী লাইলোত্পান্দুং কৌয়ে।

মাকী লাইমিং মমিংতি ইন্দুংলোন্না লাই কৌ-য়ে৹ খুন্দুংলোল্ খোনখোক্ ইনিন্না লাইপক কৌয়ে৹ লাইকী ইয়েক্তি অসিনে (ꯂ) লেপনা খংপিৱো।

---

# ꯃ (মিত্)

## ইয়েক (৪–তি)

আতীআ সিতাপাকী মমিত্ মন্নুংতা লৈপা মিত্ নহা অতুপু মাললে হায়পকীপু মি কৌয়ে। মি অতুপু য়েংনা সাখিয়ে হায়পকীপু মী কৌয়ে। মী অতুপু খংননপা হায়তুনা আতীআ সিতাপাকী মমিত্ মনুংতা লৈপা মমিপু য়েংতুনা সাখিপানা অতৈ অমা-



নি খংনানাপা হায়তুনা মী অতৈ কৌয়ে। মিতা সাই-রোন্ তৌতুনা পোকপা সাপা তাইপং মীনা, মীতৈ হায়না কৌখলে।

সিতাপাকী মসকতি মিনে, মিকী লাইমিং মমিংপু ইন্নুংলোন্না মি কৌয়ে, খুন্নুংলোল্ খোনথোক ইনিন্না মিত্ কৌয়ে। মিত্কী ইয়েক্তি অসিনে (ꯃ) লেপনা খংপিরো।

---

## ꯄ (পা)

### ইয়েক (৫–তি)

লাইকী ফমপিতি অসিনে খংপিবো। চুপ্‌ অমাতি সিতাপা মপুকী মমিপু ফাতুনা লেংহন্‌তনা সুম্‌লে, খম্‌লে, পক্‌লে, হায়পকীপু পিসুম্‌ কৌয়ে। পিসুম্‌কী লাইমিং মমিংপু ইনুংলোন্‌না পি কৌয়ে, খুনুংলোল্‌ খোন্‌খোক ইনিন্‌না পা কৌয়ে। পাকী ইয়েকতি অসিনে (ꯄ) লেপ্‌না খংপিবো।



## ꯅ (না)

### ইয়েক (৬–তি)

হৈঁনা মপান থাপা, হাঁনা মাউ লিংপি কৌপতি, ফমপি কোন্‌তকী অঙাং মলু হুনপা কৌয়ে। ইয়েক মিংলেন মিংখৈ কৌপাতি, নুংসাপু কৌয়ে। কামপি মৈ, লাইচা ঈসিং, মালংপা নুংসিত্‌, অহুম অসিপুসুং মিংলেল্‌-মিংখৈ কৌয়ে। কয়াত্‌ ১১ অ-

মাতি সিংলি পাক্ষন ১০৮ কী লুচিংপা পাকন্‌লি ১০ নে, খোংলম ৯ নে, পনখৈ ৮ নে, ঈলম ৭ নে অসি খৈপিক্‌কী মলিন্‌পু নুংতকী সিত্‌লক্‌তুনা তেংঙে হায়পকীপু নুংসিত্‌ কৌয়ে।

নুংসিত্‌তকী সৌপাতি না অনিমক্‌নে। মিংলেল্‌ অসিপু ইন্নুংলোননা মালং নুং কৌয়ে, খুন্নুংলোল্‌ খোনখোক ইনিন্‌না না কৌয়ে। নাকী ইয়েকতি অসি-নে (ꯅ) লেপ্‌না খংপিরো।

---



# ꯆ (চীল)

## ইয়েক (৭–তি)

মৈ, ঈসিং, নুংসিত্‌ অহুম্‌মকনা পুন্‌না লৈলে হায়পকীপু ৱাকোনপুং চীং কৌয়ে। তাইপং পাল্‌-পকী হুকসাং ওইলিপা অসিতা খৌৱাই লৈলিপা খৈপিক অসিপু মঙাল্‌তা য়োমনা লৈলে, নিক্‌হন্‌-তে হায়পকীপু ৱাকোন চীং কৌয়ে।

লাইমিং অসিপু ইন্নুংলোননা চীং কৌয়ে, খুন্নুং-

লোল্ খোনথোক ইনিন্না চীল্ কৌয়ে। চীল্কী ইয়েক্তি অসিনে (ꯁ) লেপনা খংপিৱো।

## ꯇ (তীল)

### ইয়েক (৮–তি)

কামপি মৈ তলং, লাইচা ঈসিং তলং, মালংপা নুংসিত্ তলং, অহুম্মানা লৈতলিঙৈ, তলং ওই-না লৈলিঙৈকী মমিংপু তলং ঈপুং কৌয়ে। তলং



ঈপুংকী ইয়েক অসিপু ইন্নুংলোন্না তলং কৌয়ে, খুন্নুংলোল্ খোনথোক ইৱাই ইনিন্না তীল্ কৌয়ে। তীল্কী ইয়েক্তি অসিনে (ꯇ) লেপনা খংপিৱো।

## ꯈ (খৌ)

### ইয়েক (৯–তি)

হে মী লাই ওইপসা তাপিৱো হায়লপানে। সনাচীংকী মতিক্নে খংপিৱো। মৱাইথোংকা কৌপতি

তাইপং পাল্পা মানে। মাংতা হায়খিপা সিংথাকম্ কৌপতি থানে, সিতাপা মপুনা ইমাংখোংতা থুংনা লৈলে হায়পকীপু ইন্নুংলোননা খৌ কোয়ে, খুন্নুং-লোল্ খোনথোক্ ইৱাই ইনিন্না খৌতাং কোয়ে। খৌকী ইয়েক্তি অসিনে (ঙ) লেপনা খংপিৱো।

---



## ꯉ (ঙৌ)

### ইয়েক (১০–তি)

মালং নুংসিত্তকী সৌপতি লাইপুংথৌ ৭ কী পনখৈ ৮ না খৈলপা উমংলাই ৯ অসিকী মনুংতা লৈপা লাইনিংথৌ লাইলেল্মা অনিমাকী ভুলে। অতুকী অথুমপা মচুতাকী সৌপতি খোইনে, মমিত্ অনিমাতি লাই অপিসানে। লৈচংতকী সৌপাতি ঙৌনে, হে মী ওইপসা লেপনা খংপিৱো। ইয়েক

অসিপু ইন্নুংলোন্না ঙৌ কৌয়, খুন্নুংলোল খোন-খোক ইৱাই ইনিন্না ঙক কৌয়ে। ঙৌকী ইয়েক-তি অসিনে (ꯉ) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯊ (থৌ)

### ইয়েক (১১–তি)

হেঁ মী লাইকা তৈনলাপাসা হ্নেল্ অমা হায়কে।



লাইপাক চাওয়ে লাইপাক কৈয়ে, মৈনে, ঈসিংনে, নুংসিত্‌নে, অহুম মাকী লিখুনপু খংলপাসুং কৈয়ে। লাইপাক অহিংপিতাকী সৌখত্‌লক্‌পতি লৈনে অ-মানা অমানা খংলপাতি লাইপাক হাইয়ে ময়েং তাইয়ে। ঈসিংতকী সৌপাতি ইখোমনে, ইয়েক খোনখোক অসিপু ইন্নুংলোন্না ইখোম কৌয়, খুন্নুংলোল্ খোনখোক্ ইৱাই ইনিন্না থৌপাক কৌয়ে। থৌপাক্‌কী ইয়েকতি অসিনে (ꯊ) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯔ (ৰাই)

### ইয়েক (১২–তি)

সিতাপা মপুনা ঙমু, হংঙোই, য়োং, মী, সা, তীল, কাং, ৰাহি, কাওচেং, হৰিং, খোইয়া, তু-মিত, য়ুলান খোংলি লাওলিপা খৈপিক্কী থৌৰাইপু লেংহন্তনা মপুকী কোনচিতা খামনা লৈরে হায়-পাকীপু খাংসং কৌয়ে। খামসং অতুকী মন্নুংতা লৈপাকী মিংলেন মিংখৈতি হা হা হুং হুং কৌয়ে।



হে মীৰো পংনা হায়কুনো নহাক নিংৰো, তাইপং লাইনিংথৌকী মালং ৰাই কৌপতি অসিনে। মন্নুঙ কৌপা কংলৈতি অসিনে, ইয়েক খোনথোক অসিপু ইন্নুংলোন্না ৰা কৌয়ে, (ৰাকী ইয়েকতি অসিনে) খুন্নুংলোল খোনথোক্ ইৰাই ইনিন্না ৰাই কৌয়ে। ৰাইকী ইয়েক্তি অসিনে (ꯔ) লেপনা খংপিৰো।

# ꯌ(য়াং)

ইয়েক (১৩-তি)

সিতাপা মপুকী তাইপংপাল্‌পকী মাইকী অয়ুংপা ৱাকোন্‌কী চনিংতা লোন্‌না নৈলে হায়পকী লোনচা অলিপা কৌয়ে মিংথৈ মিংলেলতি পুংতালিক কৌয়ে। তিংপাল্‌পা মপুনা অয়ুংপা ৱাকোন ফলাংতা ফাওলক্‌লে হায়পকী ইন্নুংলোন্‌ কৌয়ে ইন্নুংলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মসকনে



মসিপু লাইকী লোল্‌নে। মপু সিতাপানা ৱাকোন ফলাং চিংতোন্‌তা তাইপং পাল্‌পা মপুপু খুনথোক হল্‌লে হায়পকী খুন্নুংলোল্‌ কৌয়ে।

তাইপং পাল্‌পা পুমনামক্‌না কয়াত ১১ পাফল্‌লী ১০ ফৈতোম ৯ পনথৈ ৮ লিকলম ৭ খোংলম ৩ মাতা ঙাল্‌লে। থৌৱাই নৈলিপা খৈপিকনা তাইপং পাল্‌পাকী মপাতি অসিনে হায়না পুমনামক্‌না নোল্‌লে সিতাপকী মমিনা থাং ওইনা হুন্‌থালক্‌লে হায়পাকী চেলনৈ য়েক কৌয়ে। য়েক অসিপু ইন্নুং-

লোন্না ইয়েক কৌয়ে। খুন্নুংলোল্ খোনথোক ইৱাই ইনিন্না য়াং কৌয়ে, য়াংকী ইয়েকতি অসিনে (দই) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯍ (হুক)

### ইয়েক (১৪–তি)

তাইপং পাল্পা মপুনা, তিংপাল্পা মপুকী কম্পি য়োলপাতা হল্লু নপা কম্পিতি আতীআ সিতাপা



মপুকী মমিনা চুপ অহুম ওইনা, সিতাপা মপু ইপুং লোইনপা অপক্পপু ঙাক্না লৈয়ে। চুপ অহুম্মক্তি লাক্পন্ থাংকম্নে। মৈনে, ঈসিংনে, নুংসিত্লে, লৈপাকনে, মলিমকনা কাংখোং চুপ ওইনা তিল্লকা, নোংথৌনা সেকপিন থাখন ওইলভুনা অতুকী মনুংতা মমিনা পুসিন্পিয়ে হায়পকী ৱাকোনপুং কৌয়ে। ৱাকোনপুং য়োলপাকা থোৱাইতি লৈলম্মে, অতুকী মলমনা হুকসাংতা হোহল্লকয়ে হায়মে হায়পকী মমিংপু হানসং

কৌয়ে। ইয়েক অসিপু ইন্নুংলোন্না হুক কৌয়ে৹ খুন্নুংলোল খোন্থোক ইৰাই ইনিন্না হুকসাং কৌ-য়ে। হুক্কী ইয়েকতি অসিনে (ꯍ) লেপনা খংপিৰো।

## ꯎ. (উন)

**ইয়েক (১৫—তি)**

হেঁ মী থৌৰাই লৈপাসা তাইপং পাল্পাকী মপু সিতাপানা অয়ুংপা ৰাকোন্কী কলাং মতোল্তা ইমিং



থোঙতা মপু সিতাপানা থিল্থোক্লক্লে নোংথোং হাংলে হায়পকী নোংখিল্ কৌয়ে খংপিৰো। চক্পা লোন্ সাইৰোন্কী লাংৰোন অমতা খুতপ্পুন্ চিংতা তাইপংকী লাইনিংথৌ ওইয়ে। অতুকী য়াইপিলেল্ মল্লু মিংখৈতি হুং হৈঁ হা হেঁ হিং কৌয়ে। লাইনিং-থৌকী লৌউফমসুং মাংচীংনে৹ চতুম পাল্লে৹ ফীতি চীংপিতা পাল্লে। মফম অতুপু সিন্নাইফম সং কৌয়ে৹ উপি৹ উলেলতি লাইৰোইচীংতকী ম-সানা চত্লে। সায়াল্তা সা থোকলে৹ সা অতুপু

উন কৌয়ে। ইয়েক খোনথোক অসিপু ইন্নুংলোন্না উন কৌয়ে, খুন্নুংলোল্ খোনথোক ইৱাই ইনিন্না উনসা কৌয়ে, উনকী ইয়েকতি অসিনে ( ঈ. ) লেপনা খংপিৱো।

---

# ꯏ. ( ঈ )

<u>ইয়েক (১৬-তি)</u>

লাই কৌপতি তাইপং পাল্পা মপুকী মাইয়োক্তা



লৈ হায়পকী লাই কৌয়ে। লাইপুংথৌ ৭ কী ঈলম্ ভলেপ্তা ঈথোংতা সৌলে মপান সাপা কৌয়ে। হে মী লাই মাল্পাসা অলুপা ৱানে সিংনা তাপিৱো। ঈলম ৭ মক্না নুংসিতকী মতোন সনাচীংতা সিতাপাকী মমিং আনাওপা ঈ অতুপু হুন্থালক্পাপু য়োমসিন্লে হায়পকী নাওয়োম কৌয়ে।

লাইপাক অহিংপিতা থমলে, কম্পি সালে নাওকম্ কৌয়ে। নাওকম্নে, কমপিনে, মকম অনিমক্পু নুংসানা লেংলে মমিংতি খোইনিন নাওখিং

কোন কৌয়ে। নিংসা অতুনা মাইৱোক্ননা লৈলে মিকুপ অহুম সেমলে, মিকুপ অহুমতা সুনা লৈলে। মিকুপ অমতা অমম্পা লৈমুলোন অহুমকী লাইথোঙতা মমিনা মচীল ময়া পানতুনা মমিং ঈ লাই কৌনা লৈলে। ঈলম ৭ মাপু মানা হোত্খাই চাইখায়লপাকা ঈথোং হাংলে, ঈসিং চাইপা কৌয়ে। মিকুপ খুতিংতা সিনথোক্লক্লে হায়পকী ঈসিং হল্পা কৌয়ে। ইয়েক খোনথোক অসিপু ইন্নুংলোন্না ঈ কৌয়ে, খুন্নুংলোল্ খোনথোক ইৱাই



ইনিন্না ঈসিং কৌয়ে। ঈকী ইয়েকতি অসিনে (ঢ.) লেপনা থংপিবো।

---

ꯐ (ফম)

ইয়েক (১৭-তি)

ৱাকোন চীং কৌপতি তাইপংপাল্পা মপুকী কোল্পু ৱাকোল্ পুং চীং কৌয়ে। মপু সিতাপানা মৈনে, ঈসিংনে, নুংসিত্নে, অহুম্মা অসি চায়-

নাহন্‌তুনা নোংলোন্‌তকী হুনথালক্‌তুনা থৌৱাই লৈলিপা খৈপিকনা লাপা অমোম্‌ মসক খংতপাপু খংহন্‌নপা ৱাহিপ্‌ কম্‌কম্‌, চাকচা, ৱাৱোন, কোলোই, লোয়না চান্‌না, নুংসি-নুংৱোন, ৱাহৈ, লম্‌চত্‌, অলু-অহেন, লোয়না সিল্‌লোন, লোয়না সিলম, লোয়না সিনথা, অসি খৈপিক্‌কী থোকহল্‌লিপা কমপিনে। ইয়েক অসিপু ইন্নুংলোন্‌না কম কৌয়ে, খুন্নুংলোল খোনথোক ইৱাই ইনিন্‌না



কমপি কৌয়ে। কমকী ইয়েকতি অসিনে (ꯑ) লেপনা খংপিৱো।

---

# ꯑ (অ)

## ইয়েক (১৮--তি)

ইপুং-লোই অপক্‌পনা নুংপুং ৱাখন তৌতুনা, চকপালোন পুমনামক্‌কী সিতাপাকী কয়াত্‌ লাংপুমকী ইয়েক ইন্নুংলোন খুন্নুংলোল্‌ খৈপিকপু

ইপুংলোই অপকপানা সাইৰোনতুনা লেপখিপা ই-
য়েক ইপি ময়েক অসিপু খাকপা লৈতনা ইপু অথৌ-
পা কোনচিন তুকথপা পাখঙপাপু য়েংতুনা লিপীয়ে।

ইপুংলোই অপক্পকী সাইৰোন্কী ইন্নুংলোনকী
মিংখৈ মলুতি হা হুং হৈ হে হিং কৌপা অসিনা ৰা-
কোনকী মিংখৈ ওইলাতুনা মৈনে, ঈসিংনে, নুং-
সিত্নে, লাইপাকনে, নোংথৌনে, নুমিত্নে, থা-
নে থৌৰাই মিচাক নিংথৌ সিতাপনে, চৈৰোন ৭নে,
সচিকনে, থাপানে, খোংচোং নুপিনে, সচুংতিল্-



হৈপানে, মোংকা সলংকানে, ৰোকপুলোই তাও-
হুইলেংনে, লৈচিন্নে, চুমথাংনে, নোংথাং কুপনা
খোংপনে, সুপনা কাইনা তিন্তুনা তলং ইপুং লোই-
নপা অপক্পনা ইয়েক ১৮ অমাতি সিংথালোন চৈ-
সিং ইয়েক ১ অমাতা লেপনা সাইৰোনতুনা আতীআ
সিতাপা হায়না কৌখলে।

ইয়েক অসিপু ইন্নুংলোন্না ১ অমা কৌয়ে, খু-
নুংলোল্ খোনথোক ইৰাই ইনিন্না আতীআ হায়না

কৌখলে। আতীআকী ইয়েকতি অসিনে (ꯑ.) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯱ (অমা)

### ইয়েক (১৯–তি)

ইনুংলোনকী চৈসিং ইয়েক অসিকী মতুং ইন্না ইয়েক অসিনা লাইকী চক্কী চৈসিংনে অমাতাকী-না ১ ফুনপু২ তালা হায়না কৌখলে। অমাতাকী তলা ফাওপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল্ মিংখৈ ইয়েক



ওইনা লেপখলে। অমাতি মপুকী মিংলেল্ মিংখৈ ইয়েক্কী ইনুংলোন খুনুংলোল্ ওইপনে। তাই-পং পাল্পনা মমিং ৱাকয়ৈ হিকা নাওকা ওইনপা লান্নপা মিংলেল ইয়েকসিংসে, খৌৱাই নৈলিপা কয়াতকী সুপনা ফাইনা তিনতুনা, ইপুং লোইনপা অপক্পকা লোইনলিপা মসেন্নে লেপনা খংপিৱো।

꯱ ꯲ ꯳ ꯴ ꯵ ꯶ ꯷ ꯸ ꯹ ꯱꯰

---

(লোনসুম ইয়েক ২০—তি)

ইয়েক অসিকী মতুং ইন্না ৱাকোক্লোন অমাতি ৱাহৌলোন, ইন্নুংলোন, খুন্নুংলোল্ ইয়েক খোনথোক্কী চম্নানপাতা থোক্লকপা ইয়েক মচেত্ অসিপু লোনসুম ইয়েক, কৌয়ে। লোনসুমকী ইয়েকসিংতি অসিনে, (ꯛ ꯜ ꯝ ꯞ ꯟ ꯠ ꯡ ꯢ) ইয়েক তলানিপানকী লোইনপা লোনসুম ময়েকনে লেপনা খংপিৱো।

---



## ꯑꯣ(ো)ওতনপ

ইয়েক (২১--তি)

ইয়েক্কী ইৱাই ইনিন্কী মতুং ইন্না পকনা পকননা নপতুনা খোকলককলিপা খোনথোককী ইৱাই ইনিন্ অতুকী কোংপতা তপইপা অতুকী ইয়েকপু লোনচন চৈতপ্ কৌকতানে। ইয়েকনা মকোকনে, চৈতপনা মখুত্নে, লোনসুমনা মখোং ওইলকা অহুম অসি পুন্তুনা তাইপং পাল্-

পকী হুকসাং ফিলেপ ওইপকুমনা, হুকসাং ফিলেপ কয়াত্তকী থোকলকপা ৱাহৌলোন্, ৱাহৌলেপ লোলখোক, খোনথোক্কী ইৱাই ইনিন্না ৱাহৈকী লোলকী মচন পিতুনা অলেপ্পা মসক তাক্লিপা অতুপুনা লোন্চন কৌকতানে হায়না খংপিৱো।

অসুম তৌনা ইয়েক চৈতপনে, অসুমপা লোনসুমনে, অনি অসি য়াওতলাপাতি ইন্নুংলোন খুন্নুংলোল্ খোনথোক্কী ইয়েক ওইপা য়ালোইয়ে। অতুকী মলম্না তিংপাল্পা মপু ইপুং লোইনপা



সিতাপা মপুনা তাইপং পাল্পকী ৱাকোন কোক্তা ঈপুঙকী ঈ অতুনা ওত্না ওত্ননা নপনা লৈয়ে হায়পকী ওত্নপ্ কৌয়ে। ওত্নপ্কী ইয়েকতি অসিনে (১) লেপনা খংপিৱো।

## ৭(f)

<u>ইয়েক (২২--তি)</u>

ওত্নপ্কী ঈ অতুনা সিংলি অতুতা নপতুনা

লৈয়েং হায়পকী ইনপ্ কৌয়ে। ইনপকী ইয়েক-তি অসিনে (৭) লেপনা খংপিৱো।

---

## \ (।)

### ইয়েক (২৩–তি)

ইনপ্ অতুনা আতীআতা লাই ওইনা তপনা লৈয়েং হায়পাকী আতপ কৌয়ে। আতপ্কী ইয়েক্তি অসিনে। (\) লেপনা খংপিৱো।

---



## ꯤ (ী)

### ইয়েক (২৪–তি)

ঈ অতুনা আতীআ সিতাপাকী মমিত্ মন্নুংতা ঈনা সাইৱোন তৌতুনা চৈতপ ওইনা মীকী মসক ওইতুনা নপ্না লৈয়ে হায়পকী ঈনপ কৌয়ে। ঈনপকী ইয়েকতি অসিনে (ꯤ) লেপনা খংপিৱো।

---

## ꯧ (ৌ)

**ইয়েক (২৫–তি)**

ঈ অতুনা থৌপাক্তা সোক্না সৌনানা নপনা লৈয়ে হায়পকী সৌনপ্ কৌয়ে। সৌনপকী ইয়েকতি অসিনে (ꯧ) লেপনা খংপিবো।

---



## ꯦ (ে)

**ইয়েক (২৬–তি)**

ঈ অতুনা য়াংতা য়েতন্ য়েতন্না নপনা লৈয়ে হায়পকী য়েতনপ কৌয়ে। য়েতন্প্কী ইয়েকতি অসিনে (ꯦ) লেপনা খংপিবো।

---

## ꯏ (꯷)

**ইয়েক (২৭–তি)**

ঈ অতুনা উনতা নপ্ৰে হায়পকী উনপ্ কৌ-য়ে। উনপ্কী ইয়েকতি অসিনে। (ꯏ) লেপনা খংপিৱো।

---



## ꯎ (꯸)

**ইয়েক (২৮--তি)**

ঈ অতুনা চৈখন ওইনা পকন-পকননা চৈলে়ে হায়পকী চৈনপ্ কৌয়ে। চৈনপ্কী ইয়েকতি অ-সিনে (ꯎ) লেপনা খংপিৱো।

---

## ৭ (ং)

## ইয়েক (২৯–তি)

হুং হিং নিং তা তপ্‌লিপা চৈতপ্‌ অসিপু নুং কোয়েং নুংকী ইয়েকতি অসিনে ( ৭ ) লেপনা খং-পিরো। অসুম তৌনা তিংপাল্‌পকী মপু ইপুঙ লোইনপা অপক্‌পকী ইয়েক ঈপি ময়েকপু তাইপংপাল্‌পা মী ওইপকী কয়াত্‌ নুংতা যুপনা থমতুনা



ইনুং ইয়েক, খুনুং ইয়েক, ইনুংলোন খুনুংলোল্‌ ওইনা লাইকী লোল্‌ লাইলোল্‌ হায়না কৌখিয়ে।

ইপুঙ লোইনপা সিতাপা মপুনা থক্কা খাকা অনিকী তাইনপা মলক্‌তা সাইৱোনতুনা ইপুংঙো মহাক্‌কী থৌসিন্‌না হা হুক্‌ কয়াত্‌ লেপলিপা থৌ-ৱাই নৈলিপা পুমনামক্‌না মপুকী লিখুন্‌ থিনানাপা অমাতি মপু অমা নৈ হায়পা খংনাপকীতমক, ইপুং-ঙো মহাক্‌কী থৌসিন্‌না লাইয়ামসিংপু পুথোকতুনা

লাইনিংথৌ সলাইলেল্ সিতাপাকী মকমতা তলং লাইপাও পিতুনা নুমিত্ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতমকুম্না সনাকী মসক্ মাল্পা নৌৱা অমা ওই-না লৈলম্কে। ঐ অসিপু নহাক্কী নচামকনি নিং-তুনা ঐপু য়োকলো।

হয়েং চক অমাতা তাইপং পাল্পা মনুঙ ওইনা-নাপাতা লাইয়ামসিংকী ইয়েক খোনথোক মতুং ইন্-না মাংতনাপা মীনাচিংনা উলি উপাল অসি খৈপিকপু



সালেক্লপা মতমতা ঐনা নংকী নতেং পাংকনি হায়-না তলং লাইপাও পিখিয়ে। লাইপাওকী লিখুল্-লিক্লম্পু লাইয়ামসিংনা তাচখি।

অসুম ওইপা লাইপাওকী মতুং ইন্না সিতাপাকী নৌ-ইসাইফু ইলোন্ নুংতা নুমিত্ হুমনি সুপাকী নৌ-ৱাকী মৱোং ওইনা সনাকী মচু মান্পা নৌৱা অমা লৈলম্স্নে। নৌৱা অতুপু য়েংলকা সনাকী মসক মান্পা অঙাংপা মচুনা ওইলাপা অতুপু উপতা।

সনা মহী হায়পা মিংথোন্পু পিতুনা মচাকী মতম্ কুমনা লৌখত্খিয়ে। অসুম তৌনা লৌখত্লপাকা লাইলেল্মা সিতাপিতা পিসিল্লে।

লাইলেল্মানা য়েংলাকা ঙাংলৈনপা নৌৱা অতুপু উপাতা অঙাং মিংথোন্ কংতুর্না চেত্না চান্না কোনসিনলে। তলুকনি সুপা নুমিত্তা ইখৌ ইপান লাংহন্লে। ইপালি অলীপা পাকী লিলাপা পালী অহানপা কোনসেন তুলৈ সেংপা মিংথোনপু কংচৈরে।



মতৌ অন্নুম্না লৈলপাকা মপালিসু চাওলকলে। মপাপুংকী য়াখং থোইয়া নিংথিপনা হায়লক্রে। মচাকী মকম্তা—পালি ইপুংঙো কোনসেন্ তুলৈ সেংপা৲ তলং লাইপাওকী মতুং ইন্না পালি নংকী নখৌ নঙম্ তাইপং মীপু সাপা হৌলো হায়না তাকপিলে। অতুকী মতুং ইন্না মপালিনা মী সাপা হৌখালে। অহান্পতা মপালি সনা মহীনা সাপা পোত্লম্ অতুপু কত্সিললে। হেকনা ওইপা

ৱাখিতে, মপাপুংনা মথৌৱাইপু হাপতুনা মমিংতপু থোনতুনা নমু মিতমঙা হায়না কৌপিতুনা লাইচা ইলোন নুংতা থাথোকলে।

অসুম তৌনা মথং মথং সালক্লপাতা সোম্বনা খন্নখিতুনা ইকোন্ কোনপাতা সলাইলেল্ সিতাপাকী পাওতাকি মতুং ইননা সপাতাকী মী ওইনা লেপতুনা মপাপুংতা কতসিল্লে। মপাপুংনা মিয়েং সান্থৈ তালক্লে পালি ইপুংঙো ঈচানা সালিপা



Punctuation of Sign

নমু তাইপং মীতি, খক্লে, চৈখন্নে (।)। থৈলে, চৈথৈখনে (॥)। লোনলে; লুম্ ইয়েক্নে (•)। পুল্লে, অপুন্ ইয়েকলে (--), ইচানা মী সালক্পাকী খুতম্ ইয়েক্নে (X), অসুম হায়না হায়তুনা মী থৌলোপাকী মহাকথক্ লাইকী পন্থৈতি লোম্লে অন্নুম্ হায়না হায়খলে।

ঈচানা সালিপা মী অসিতি মথৌৱাইপু হাপতুনা লোন্কতাপানা, লাংপাচক্ ওইতুনা পোক্লকাতাপা

পুম্নামক্তি পোক্পা সিপা নাইলকাতাপনে। মমা পিপুক্নুং কোন্তকী তাইনপা অসিতা থোক্লক্পতা ঙাইহাক পংথকাতানে, পংথপা অতুকী মতুং ইন্না ঈপানা তাইপং মী হায়না কৌলম্কে। অতুকুম্পা তাইপং মী অতুতা লাইয়ামসিংকী ইয়েক্ ইপি লাইয়েক্সিংপু পুপ্না থম্নাপকীতমক্ ঈপানা মী সাউ হায়তুনা ইচাপু সাহন্পনে লেপ্না খংবো।


ৰাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক

অতুকী মলম্না ঈপানা মথক্কী লাইক্নসিংপু লিপিপনে। অতুকুম্পা মপালি ইপুংঙো সনা মহীনা সাপা মী অতুপু লৈমালেল্ সিতাপিনা উলুপাতাকী, লাইলেল্পিতি সিতাপী তীল্লাং খোইতাতুনা মপুকী কোন্তাকী, তীল্লাং অতু তুক্থখিতুনা লৈমালেল্কী খোইচি থাতা তুঙতুনা, নাওপুন্ ওইনা হোমতুনা পিপুক্ নুংতা লৈখ্রলে। অতুম তৌনা লৈলপাকা মপুকী কোন্চিল্তাকী তুক-

থাখিপা তীল্লাং অতুম্ব থাম্পুং তলা ফালাতুনা তাইপং পাল্তা ফাওলক্লে৷ অসুম তৌনা ফাওলাপাকা নুমিত্ সিংপুম্ তলুক্নি নুপাতা অনম্ অথৌ কোক্তুনা লাইচা ঈপান্ থাতুনা লাইনিংথৌ লাইলেমমা অনিমক্পু সিতাপানা লাইপাক্ মাইপা খুলাই তাঙপা৷ নিংথৌ মাইপা চিলাই হনপা সাতুনা মাইচৌ মাইনৌ ওইলাতুনা অমাইপা অমাইপী সাতুনা৷ তীল্লাং অতুম্পু নাহে লাইলোন হায়তুনা



অনম অথৌ কোকথোকলে৷ মলোল্ থোকলে৷ মলিন্ থোকলে হায়তুনা পালি অতোন্পা ইসানৌ কোনচিন তুকথাপা হাম্বপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে৷

থাম্পুং ১০ তলা নাও পুখিপানা মপাম্পুংকী ফমপান ফাংথোং ৭ তলেপ্লক্পু কোইতুনা ফমপান মেন্ তোংপা ফংচৈয়ে৷ মম্বামপুং সনা মহীপু মসক্ থংতুনা নিংথি থোইনা নিংতুনা তাইপং মীকী ফম্পান তোংচৈয়ে৷ ৱালম্ অসিনা পুকোকনে৷

অসুম্ তৌনা পাখঙপা মিংথোন কংভুনা সাইৱোন ভলা নাও পুখিপানা মথৌ মঙম্ পাংথোকপতা মমিং ভলা কংচৈৱে।

হে মী লাই মাল্পা লাই-ওইপসা তাপিও। অসাইকী লাইকী চক্ অকোয়পা চকোয়, অকোয়-পা পল্ ওইপা লোন্ চক্পালোন্ পুম্নামক্তা য়াওলপা ৱাকোক্লোন অমাতি ৱাহৌলোন অনিতি ৱাহৌথোক অসি খৈপিক্কী লিখুল্পু ইন্নুংলোন্



খুন্নুংলোলকী খোনথোক ইৱাই ইনিল্ ইয়েক ইপি পু, ৱাহন্থোকনা ফোংতোকৱে।

হৈ* চক্কী খুন্নুং লোল্তি, হৈ* ঈ, অনি অতুনা আতীআ কোইলোতকী পানা চেনথালক্লে হায়পকী ঈপা কৌয়ে। ঈকী পানে হায়তনা লেপনা খংপিৱো। হৈ* চক্ হায়পতি অসিপু কৌপনে খংপিৱো। হা* চক্কী খুন্নুং লোলকী ৱাহন্থোকতি হা* না ঈ অতু মাথোকতে মাংহন্তে হায়পকী ঈমা কৌৱে। ঈ-কী

মমানে হায়তনা, অসিপু হা* চক্ কৌয়ে। লেপনা খংবো। কো*ন্ চক্কী খুন্নুংলোল্কী ৱাহনথোক্-তি ঈ অতু নাওপুন্ ওইনা য়োম্তুনা কোন্শিন-তুনা থমমে হায়পকী কোন্সিনপা নাওয়োম কৌয়ো। কো*ন চক হায়পতি অসিনে লেপনা খংপিবো। লাং*পা চক্কী খুন্নুংলোল্কী ৱাহনথোক্তি, নাও-য়োম অতুতাকী থাপ্পুং ফালাতুনা লাংৱোন্লে হায়-পকী লাংপা চক্ কৌয়ে। লাংপা চক্ হায়পতি



অসিনে লেপনা খংপিবো।

ঐনে, ঈপানে, ঈপুনে, ঈপুথৌনে ঈপুংলেল্-নাকক্পনে, মশা অসিপু থৌয়ে হায়পকী থৌৱাই কৌয়ে। তিংপালপা পুমনামকপুম্ থৌয়ে হায়পকী থৌৱাইলেল সিতাপা কৌয়ে। থৌৱাই হায়লিপা অসিতি য়াইপিলেল্কী তুংনাকম্নি। য়াইপিকী তুং-নাকম্না হুক্সাং কয়াত্কী লাংপুম্ ওইতুনা লৈ-লিপাসিনি। কয়াত্কী লাংপুম্ পুমনামক্তা লৈপা

মপুতি তাইপং পাল্পা মপু হায়না কৌশলে। খৌ-ৰাইলেল্ সিতাপানা ইলিক্ ইনাংসিত্ পী-পনা ৱাই-পিনা ঈলিক্ ঈসৌ ওইপা ঙম্পনে লেপনা শংপি-কাতাপানে।

তিংপাল্পা মপু ইপুং লোইনপা অপক্পাকী লাইপাওকী কোলোই ময়াথংনা ওইখিপা মলম্না তাইপং পাল্পাকী চকুপালোন্ পুম্নামক্কী সেম্-ঙম্পা খুন্নুং লোনচুম্সিংসে, তাইনপাতা লৈলিপা



মী ওইপা ঈচা ঈনাই মীতৈ পুম্নামক্কীতমক হায়চপানে, হে নিংথৌৰো। ইয়েক লিখুল্ অসিতি মতমতুকী মতুং ইন্না পুথোকপিকাতানে শংপিৰো। খুন্নুংলোল্ অসিকী শংননাপা লিখুনতি, লাইলিক ৰা-পোলপিলাং, অমাতি লাপালোন্ ৱাংপি অমাতি কোকলোন্ থিলেল্ সলাই অমাইলোন্ অমাতি থৌৰাই মিচাক খেনচংলোন্ অমাতি সাকোক স-লাই থিলেল, অমাতি খুন্নুংলোল্ সাকোক থিলেল,

পুয়া অসিতা য়াওলিপা খৈপিকসে ইচা ইনাই পুমনামকনা খংনাপা ওইস্নুনো। অমাতি সলাই অমাইলোন্‌তা অমাতি খৌৱাই মিচাক্ খেন্‌চংলোনতা য়াওলিপা খৈপিকতো তাককুনো, ঐনা ঐনা খংনকাতাপানে মাইচৌ পুম্‌নামক্।

লাইহৈলিক অসিপু লোইপা মাইচৌসিংনা পুয়া ঐপু তাচকে খংচকে হায়পা লৈলাপাতি, লাইহৈলিক ঐ অসিতো মিংখৈ অসিনা হৌখোক্‌পিকাতানে, লেপনা



খংপিকাতানে। লৈতোন্‌তা লৈপি ইয়েক লৈমা ঈমা ইপেমমা, লৈয়াইতা লৈপি লাইখুলেল্‌পী ইপেম্‌মা, লৈয়েংতা লৈপী লাইনৌ তাপী লাইলেমপী অঙুম্‌মক্‌কী মমিংতি নুং তলেং তলেংপী কৌয়ে। অসি হায়না লাইলেল্‌মাপু পুনেম্‌চৌৱো।

অঙুম্‌তৌনা ইপুও লোইনপা অপক্‌পনা মালেম লাইসাপু ইনুংপুংতকী ফুক্‌কত্‌ চিংখত্‌ থাংকত্‌লক্‌পা মতম্‌তা, সিতাপাকী নুংপুং ৱাখন্‌তাকী

থোকখিপা লাইপুংথৌসিংপু অপক্পাতাকী থাই-থোকলে হায়পকী থাইপোক থাইথোকপা কৌয়ে।

ইপুঙলোই অপকপাতাকী নুংসা অতুপু থাই-থোকপা অতুনা ৱাকোন্ পুঙতা লৈপা লাইপুংথৌ তলেপ্তা য়েনপা ওইখিপনা মমিং অতুপু ইয়েক্ হায়না কৌখলে।

ইয়েক ৭ মক্না চৈৱোন্ ৭ মা থোক্য়ে। চৈ-ৱোন্-৭-মানা থৌৱাই মিচাক-৭-মক্সুং পোকয়ে।



অসুম্ তৌনা তিংপাল্পা অমাকী মৱোংপু তাইপং পাল্পা মওং লেপ্ননাপা হায়তুনা লাইনিংথৌ লাই-লেল্মা অনিমককী মকমতাঃ লাইপুংথৌ ৭ না ওইলক্পা মতুং ইন্না নংকী নতেং পাংকনি।

ৱাকোককলোন্ থিলেল্ সলাই অমাইলোন্ পু-কোকপু নিংতুনা অমাতি তলং সাইৱোনকী সিংথা-লোন্ চৈসিংনে। ইন্নুংলোন্ খুন্নুংলোল্কী ইয়েক ১৮ অমাতি ইয়েক্ চৈতপ্ মাপন্ অমানেঃ অমাতি

লোনসুম্ ইয়েক নিপান অমানে শক্পকী ইয়েকনে৹ থৈপকী ইয়েকনে৹ লোম্পা লুম্পকা ইয়েকনে৹ পুন্পা অপুন্পাকী ইয়েকনে মী সালক্পকী অহান্পকী খুতম্ ময়েকনে৹ অসিনাচিংপনা লাইৱামসিংকী লাইমিং ইয়েক ইপি পুম্নামকপু হায়লম্লকা ইপুঙ লোয়নপা অপক্পতি তলং নুংতা লৈখিপা৹ তলং পাওপু পিনাপা।

ইপুঙ লোইকী ৱাথংনা ওইখিপা মলম্না



লাইৱামসিংনা হলাওখিপা ইপুঙ লোয়না হালাওখিপা ৱাইফাপাকী মতিক্পু লাইৱামসিংনা পেনচখিপা৹ অসুম্ তৌনা লোইপী চীংকী চীংতোনতা মকম্ মকম্ য়েংতুনা তুকা ৱাকা পাতুনা নুংঙাই থোইনা পানতুনা ৱাকোন্ পুঙপু সাখিপা। অসুম্ তৌনা তিংপালপা অমাকী মথকনে৹ মন্নাইনে৹ মথানে৹ অহুম্না অমত্তা ওইনা লেপ্পাকুম্ লাইৱাম্সিংকী ইয়েক ইপিনা তাইপং পালপকী

কয়াত্ নুংতা লৈত্তুনা লেপ্পাসিপু তিংপাল্পকীতি মনৈ, তাইপং পাল্পাকীতি পুকোক্, লাইনিংথৌ সলাইলেল্, লাইলেলমা লৈমালেল্ সিতাগী অনিমকনা মপালি ইপুংঙো মসানৌ কোচিন তুক্থাপাতা তাক্পিখিরে।

অসিতা নত্তানা সনা মহী লাই সিতাপানা মী সাপা লোইলাতুনা মথৌৱাই মমি হাপপাকী, মপা পুংকী কয়াতনুংতা চংলাতুনা মথৌৱাই মমি



হৌথোকতুনা হোইথোক্লকপাকী কয়াত্লোন্কী পু ৱালি কয়ামলুমসু তাকপিখিরে। অসিতা নত্তনা মথং মথং তাকখলে।

অসুম তৌনা লাইয়ামসিংকী লাইমিং মিংখৈনা নোংথৌ মলোন ৭ অমানে লৈখালোন্ মলোন ৭ অমানে অতুকী ময়াইতা মৈনে, ঈসিংনে, নুংসিতনে, লাইপাকনে, নোংথৌনে, মঙামকনা লৈহৌলোন্ পুলোন্ মঙামক হায়না লেপখলে। ইয়েক

মঙামক্ অসিনা পুন্না, অমা হায়পা ইনুংলোনকী ইয়েক সিতাপাকা মপুনা সাইৱোন তৌতুনা ইমুলোন তলুক কৌনা লৈখলে।

অতুকী মলম্না লৈহৌলোন্ পুলোন্ মঙামক, ইমুলোন তলুকমক্ কৌনা লাইকী মৱোংপু মীতা সাইৱোন তৌতুনা লেপখলে। অসুম তৌনা লাইকী লিকলম্ তলামাথোইনা লেপ্পাকুম লাইকী লিকলম্নি খংননাপা হায়তুনা লাইকী লিক লাইলিক্



কৌখলে। মতৌ অসুম তৌনা নোংথৌ মলোন্ ৭ কী য়াকমতা তিংপাল্পা মপুনা সাইৱোন তৌতুনা তাইপংপাল্পা সন্থোকনাফমনি হায়তুনা সন্থোং অপানপা কৌনা মলা লেল্ফু ওইখলে।

মালেম্ লৈখালোন্ ৭না অমমপা লৈমুলোনকী মসক্কুমনা তাইপংপাল্পকী তুংনাফম লৈসা ওইনা লৈখলে। লৈলিপা অসিকী মৱোংপু নোংথৌ মৱোং লেপ্পাপু নোংথোং হায়না হায়খলে, লৈ-

খালোল্ মৱোং লেপ্পাপু লৈমোং হায়না কৌখ-লে। অসুম তৌনা লৈলোন্ নোংলোল্ লেপখলে।

লৈহৌ নোংহৌ নাইখলে অতুকী তমক্না থৌ-ৱাইমিচাক চৈয়োল ৭ মক্কী মতুং ইন্না লাইলিক ইয়েক ইপী ময়েক তলানিপাল্ মাকী মমিংসু থোন্-খিয়ে। লাইলিক ইয়েক ইপী ১৮ অসি য়াওপা লাইলিক মমিংতি, অহানপা কোইলৌ নুমিত খেন্-চংলোন, অনিতি ইহিলেন থাচা খেনচংলোন ৩ তি



থৌৱাই মিচাক্ খেনচংলোন, মলিতি সাকোক স-লাই থিলেল, মঙাতি খুনুংলোল্ সাকোক থিলেল তলুকতি পাফল লমপুপা য়াংপী থিলেল, তলেপতি ৱাকোকলোন থিলেল্ সালাই আমাইলোন পুকোক অসিনে।

অসিকী মতুং ইন্না চৈৱোন তলেপকী চৈকোক লংমাইচিংনা, তলং মালং ওইনা লৈলিঙৈতা ইনুং-লোনকী ইয়েক্ ওইনা লেপতুনা লৈখলে ( ৭০ অমা

হায়লিপা ইয়েকনা)। ইয়েক অনিতি নিংথৌকাপানা ꯃ, ꯄ, ꯅ, অহুম অসি ওইখিয়ে। ইয়েক অহুমতি লৈপাকপোকপনা ꯆ, ꯇ, ꯈ, অহুম অসি ওইখিয়ে। ইয়েক মলিতি ইম্‌সাকৈসানা ꯉ, ꯊ, ꯋ, অহুম অসি ওইখিয়ে। ইয়েক মঙাতি সাকোনসেননা ꯌ, ꯍ, ꯎ, অহুম অসি ওইখিয়ে। ইয়েক তলুকতি ইলাইনা ꯏ, ꯐ, ꯑ, অহুম অসি ওইখিয়ে। ইয়েক তলেপতি থাংচনা ꯒ, ꯓ, ꯔ, অহুম অসি ওইখিয়ে। অমুম



তৌনা ওইখিপা লাইরামসিংকী ইয়েক ইপী ময়েক-পু তাইপংপাল্‌পা মপুকী হুকসাং কায়াত্‌কী খুন্নুং ইয়েক ইপী ওইনা লেপখলে। অসিকুমপা খুন্নুং ইয়েককী খোনথোক অসিপুমু খোনথোকলোন্ হায়-পাতনে লেপনা থংপিরো।

অমুম্ তৌনা লাইনিংথৌ সিতাপা সলাইলেল্‌না মপালি ইপুংঙো কোন্‌সেন্ তুলৈসেংপতা চক্‌পা লোল্‌কী লৈঙম্‌লকপা ৱাকোকলোন, অমাতি—

ৱাহৌলোন, অনিক্তি ৱাহৌখোক, ৩ তি ইন্নুংলোন খুন্নুংলোল্ অসি খৈপিককী ওইঙম্লক্পা কয়াপুসু খাকপা লৈতনা তাকপিখিপা। অসুম তৌনা মপালি ইপুংঙো কোন্সেন্ তুলৈসেংপা সনামহীতা তলং মালং লাইপাওকী মতুং ইন্না পাওতাক পুমনামক-পু লাইনিংথৌ সালাইলেল্ সিতাপানা তাকপিপা মতুং ইন্না হিকতোকপা লৈতনা লাইকীতি মমৈ, তাইং-পং পাল্পা মীকীতি মকোক মসানৌ ইপুংঙো--



কোন্চিল্ তুক্থপাপু পাখংপা মিংথোন ফংখিপা ম-নাওতা তাকপিলকে নিংতুনা তাকখিপা।

ইপুঙলোই অপক্পানা মথন্নাতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমনা হুঁঙ, হুঁং, কী ইৱাই ইনিন্না নিকসিল-লকতুনা ফমচিল্লক্পাতা থেংনালুপা অতুপু লাই-কী মসানি হায়তনা লায়সা হায়না কৌখিপা। লায়সা অতুপু ইন্নুংপুঙতকী ইপুঙ লোয়নপা অপক্পনা ফুকত্ চিংখত্ থাংকত্লক্পাতা লোইনলকপা ১তি

লায়সাপু থেংনপাতাকী থোকলকপা কামপি, লাইচা, মালংপা হায়না কৌখিপা, লাইপুংথৌ তলেপকী লাইমিং থোনতুনা ইমাই কাওখিপা। ইমাই অতুপু লাইকী খুতমনি, লাই মাল্‌লে হায়তুনা মালেম্ হায়না কৌখিপা।

তাইপংপাল্‌পা অমা ওইলকনপা ইপুঙলোইকী নুংপুঙ ৱাখল্‌তকী থোকখিপা পুম্‌নামকপু তাকপি লকে খনতুনা অমাতি থককা থাকা তাইনপা অনিকী



মলক্‌তা লাইকী মহৈপু তাইপং মীওইনা পালহল্‌তনা অতুকী মলমনা তাইনপাতা পাললে হায়তুনা তাইপংপাল কৌখিপা। অসি খৈপিককী মলমপু মসানৌ ইপুংঙো কোনচিল তুক্‌থপাতা তাকপিপা মলমনা মপুকী মিংলেন্ তলংঙাই মলু, হী-ঙাই মলু মিংখৈ হা, হুং, হৈং, হেং, হিং ঙাইপিলেল্ মিংখৈপু ঙংচলাপা লাই-ঈংথৌ ইপু অথোপা পাখঙপনা তাচাখি।

অমাতি লাইনিংথৌ পাংকনপনা হুত্‌তংঙা সাইৰোন্ তৌতুনা চীংপু হুত্‌তোক্‌তুনা চীংনুংহুত্ হায়না কৌখিপা মকম অতুতা লাইচা ঈসিংপু চিথোকখিপানা পুঙ অসিপু কংপা হাল্‌লে হায়তুনা কংলা থেনপুং হায়না কৌখিপা। কংলা থেন্‌পুঙ মকমতা লাইশ্বামসিংনা লেপ্‌নপা মকমতা কায়াত্‌লোন্ য়েংতুনা ঈম্‌সালে মকম অতুতা কংলা ঈম্‌কম কৌখলে।



কংলা ঈমকম মকমতা লৈলোল্ নোংলোন্ কায়াত্‌তলামলিকী লাইকম সেমখলে। সেমখলাপা মকমতা লাইয়ামসিংনা পান্‌পা মকমনে হায়তুনা লাইকম হায়না কৌখলে। লাইকম কৌপা মকমপু কংলৈপাক হায়না কৌখলে।

কংলৈপাক কৌপা মকমতা লাইনিংথৌ সিতাপা সালাইলেল্‌না হুকসাং কয়াত্‌তকী নুংপুঙ ৱাখননা তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭ মকপু৹ পাখঙপনা

পান্নাতুনা। মতমকী খোংলৈতা পোকখিপানা৹ খোংলৈকী মতুং ইননা নুলা ইপেম্মা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসিখোমপীনা অয়ুক্কী খোংলৈ মতমতা নাওসংতা পোকপানা নৌৱাপু মঙাং মিংথোন ফংচাখিয়ে ৱোকসংতা থমখিয়ে।

নুলা ইপেমমা হুইমুলৈমানা কোইলৌ মামনা ৱাংনা য়ুংপা খোংলৈ মতমতা নৌৱানা তাইপংপাল্তা ফাওপনা লুৱাং মিংথোন্ ফংচখিয়ে। লুৱাংপু—



নাওস্নুম সংতা থমখিয়ে। নুলা ইপেমমা লোইখুমপী মৱাই থোংঙাইলেন্পীনা কোইলৌ মমিনা খুনা মমপা খোংলৈ মতমতা৹ নৌৱা অঙাংনা তাইপংপালতা ফাওলক্পনা খুমন্ মিংথোন ফংচৈয়ে।

নুলা ইপেমমা লাইয়েক পিথেত্ লৈমানা নুংয়াই খোংলৈ মতমতা নৌৱানা তাইপংপালতা ফাওলক্পনা অঙৌপালপা আঙোমপা হায়না মিংথোন ফংচৈয়ে।

নুলা ইপেমমা লৈমা উল্লুম খাওচাও তোনপীনা কোইলৌ মমিনা অয়ুককী ইচিক অমম্ অঙান মুনা ঙাংনা সিন্ননা লাংপা মতমতা নৌৰানা তাইপংপালতা ফাওলক্পনা মোইলাং হায়না মিংথোন্ফংচৈয়ে।

নুলা ইপেম্মা লৈথম তালি লৈমানা কোইলৌ মমিনা য়ুংনা থক্৲ খা৲ ঙান্পা খোংলৈ মতমতা নৌৰানা তাইপংপাল্তা ফাওলক্পনা খাঙান্পা মিংথোন



ফংচৈয়ে।

নুলা ইপেমমা নোংহাইন্নু লিলী লৈমানা কোইলৌ মমিনা য়াচংপা মতমতা নৌৰানা তাইপংপালতা ফাওলক্পনা সালাই লাইসাংথেম মিংথোন ফংচৈয়ে নোংহুম সঙতা পোকখিয়ে।

অসুম তৌনা লৈলম্লপাকা মপালি পুমনামক্না চাওঙমলক্তুনা লৈলক্লপাতা তাক্পিলকে নিংতুনা মপাপুংনা কৌসিন্তুনা হায়লক্য়ে।

পালি ইপুংঙো ঙাংলৌ চেংলৌ আহান্পা নংতি কামপী মৈনা খোংলৈ মতম অহুমপু পুলিমৈঙতা পোক্পনে ঈপালিৱো।

ঈপালি ইপুংঙো লুৱাংপা নংতি লাইচা ঈসিংনা খোংলৈ মতম ৩পু পুলিমৈঙতা পোকপনে পালিৱো।

ঈপালি ইপুংঙো খুমন্পা নংতি মালংপা নুংসিত্না খোংলৈ মতম অহুমপু পুলিমৈঙতা পোকপনে পালিৱো।



পালি ইপুংঙো অঙৌপান্পা আঙোম্পা নংতি লাইচা ঈসিংনা খোংলৈ মতম অহুমপু পুলিমৈঙতা পোকপানে ঈপালিৱো।

ঈপালি ইপুংঙো মোইলাংপা নংতি কামপী মৈনা খোংলৈ মতম ৩পু পুলিমৈঙতা পোক্পনে পালিৱো।

ঈপালি ইপুংঙো খাঙানপা নংতি মালংপা নুংসিত্না খোংলৈ মতম ৩পু পুলিমৈঙতা পোক্পনে ঈপালিৱো।

ঈপালি ইপুংঙো সালাই লাইসাং চেংলৌ হেনপা নংতি কামপী মৈনা, খোংলৈ মতম অহুমপু পুলিংঙৈতা পোক্পনে পালিৱো।

অহুম তৌনা পালি ইপুংঙোখোই তাইপংপাল্পা মপু, লাইনিংথৌ সালাইলেল্ সিতাপাকী সনা হুকসাং উনসাতাকী তাতুনা থোকখিপা অতুকুমপা সাকীপী সাপী লাইলুপ তলেপমক্না পোক্পনা সালাইলুপ কৌলকে ইপানা।



পালি ইপুংঙো মঙাং চেংলৌ-হেনপা অতুকী মতুং ইননা, নখোই তলেপমক্পু, সালাই হায়না--মিংথোন্ পিপানে।

অহুম নৌনা সিতাপা মপুকী হুকসাং ফিলেপ্ ওইলপা কংলা পাফল্লী ১০৮ পু খুত্তোল্লী, কাপসিং, খুতুপ, লমসিং থানা মপালি তলেপ্মকতা কংলাকী লাইফম ১০৮ মাকী মতিক ময়াই পুম্নামক পাফল্লীকী কায়াত্ ফিলেপপ তাকপিখিয়ে।

অসুম তৌনা হায়লাপাকা মপালি তলেপমক কৌসিন্‌তুনা হায়লকয়ে। চক্‌পালোনকী মতুং ইন্‌না ইপানা মঙাংলোন, লুৱাংলোন, খুমনলোন, অঙোমলোন, মোইলাংলোন, খাঙানপালোন, সালাই লাইসাংথেমলোন অসুম পাললো হায়না তাকপিয়্রে। অসুম তৌনা হায়লাপাকা মপালি তলেপমক্‌কী ঈমফম তলেপমক সাংনা সাতুনা থমলে।

ইমাঙ কাতা মঙাংনা লৈয়ে, মথং অমাতা লুৱাংনা



লৈয়ে, মথং অমাতা খুমননা লৈয়ে, মথং অমাতা অঙোমনা লৈয়ে, মথং অমাতা মোইলাংনা লৈয়ে, মথং অমাতা খাঙান্‌পনা লৈয়ে, মথং অমাতা সালাই লাইসাংথেমনা লৈয়ে, অসুম তৌনা লৈলপাকা পালি নখোই তলেপমক্‌কী পান্‌ননাপা ঈমফম্‌পু খাইথোক্‌না হায়লম্‌কে।

পালি ইপুংঙো মঙাং চেংলৌ হেনপা নংতি—ৱোক্‌সঙতা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো লুৱাংপা নংতি

কেকুপান্তা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো খুমনপা নংতি কুসঙতা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো অঙৌপানপা অঙোমপা নংতি কংলাকী কোন্থোংতা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো মোইলাংপা নংতি সনা কৈথেন্কী নোংচুপতা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো খাঙান্পা নংতি সালাঙমাইতা লৈয়ো। পালি ইপুংঙো সালাই লাইসাংথেমপা নংতি নম্পুন্তা লৈয়ো। অসুম হায়না কংলামেন্ তোংলকা লৈঙমলে।



মপাপুং ইপুংঙো কোনচিল তুক্থপা পাখঙপাসুং ফমপান্ থকতা থাচকী মসেক্তকী তালক্পকুমনা মৈপুন হাইচাও হৌঙমপা ওইনা নুংঙাই থোইনা পানখলে।

অসুমনা লৈলপাতা লাইলেল খোমপীকা মঙাং নিংথৌকা পান্নতুনা লৈসংলেল্ অসং ঙাসাপা পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেল্পী অঙাইপীকা লুৱাং নিংথৌকা পান্নতুনা নোংতমলেল্ অৱাংপা–

পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেলপী খুঙাইপীকা খুমন-নিংথৌকা পান্নতুনা নোংতমলেল্ অখুপা-- পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেলপী থিংপী লাই-খোমপীকা অঙৌপান্পা অঙোমকা পন্নতুনা লৈ-সংলেল অসংপা পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেল-পী থালৈমাকা মোইলাং নিংথৌকা পান্লতুনা ইচেং পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেল্পী কোংতিংলৈমা-কা খাঙানপাকা পান্নতুনা নোংতমলেল অঙানপা



পোকয়ে। মথং অমাতা লাইলেলপী চেংলৈমাকা সালাই লাইসাংথেমকা পান্নতুনা খুম খুম নিংথৌ পোকয়ে।

অসুম তৌনা সালাইলুপ, সাখায় খায়না পাল্ল-পাতা ততুকী মতুংতা মঙাং নিংথৌনা অমুক সঙ্-কায়তা লৈলমলে। মথং অমাতা লুৱাং নিংথৌনা—লাংকোন্তা লৈলম্লে। অতুতাকী লুৱাং—খোংতা হোংখিয়, লমকেল্পু কোনতুনা লৈখিয়ে। মথং

অমাতা খুমন্‌না পাল্লমপা ঈমকমতি য়াইলিপোক-তা পাল্‌লমলে, অতুতাকী উমু-খোংতা নৈলেমলে, অতুতাকী নৈকোইপুঙতা নৈলেম্‌লে, অতুতাকী পুমলেল্‌তা হোংখিয়ে। মথং অমাতা অঙৌপানপা অঙোম্‌পনা পাললম্‌পা ঈমকমতি, কোনথাতা পাল্‌লমলে। অতুতাকী ৱোকসঙ খোঙ মখাতা নৈলমলে, অতুতাকী কোংপা তুলেল্‌না কোনপা লমতা হোংখিয়ে। মথং অমাতা মোইলাংনা পাল্‌লমপা



ঈম্‌কমতি নৈকোইপুঙতা হোংতুনা লোকতাক ইসা ঈকোন্‌ সুপনা ঙাকখিয়ে। মথং অমাতা খাঙান্‌পনা নৈলমপা ঈমকমতি, কাংপোকপিতা নৈলমলে। মথংতা লাংকোনতা নৈলমলে, মথংতা লুৱাং চীংতা নৈলমলে, মথংতা তাকনা-খানা কোনপা লমতা—হোংখিয়ে।

মথং অমাতা সালাই নৈসাংথেমপানা নৈলমপা ঈম্‌কম্‌তি লাইসাং-হিতেন্‌ মপান্‌তা নৈলেম্‌লে,

অতুতাকী হোংতুনা নুংসেং মপান্‌তা লৈলমলে।

অসুম তৌনা সালাই-লুপ সাখায় খায়না পাল্‌ল-
পাতা নোংহুম-সঙতা লৈলক্‌পা মলিয়াফম পাল্‌চ-
না ইংঙা কুমতম, ইংঙেল কুমখাই, মতম লৌতুনা
মসিতাকী কুমচত্‌ সিঙথালোন্‌ লাইলি লাইচত,
নুমিত্‌ থাসিং চৈচত্‌ হৌহনখিয়ে।

মলিয়াফম পাল্‌চনা লৈমা তান্নু পান্নতুনা কোন-
থোপা পোক্‌য়ে। কোন্‌থৌপতি হাওলোক্‌পম্‌



ওইখিয়ে। হাওলোকপম চন্নু মমোম্‌লোই কোন-
থৌ ঈতা সাত্‌চপী তম্‌ফা চন্নু নুচাপু লৌলুপা অসি-
তা নত্‌তনা মীতৈ চন্নু সালাইলুপ সাখায়কী মচা–
মনুপু, লাইনিংথৌ সিতাপা সালাইলেল্‌না লৌলুপা-
তাকী লাইয়াম পুম্‌নামক্‌না খুনতিন য়াকাতুনা কংলা
সঙকায় মেন্‌সঙতা তানৈয়ে সেনপুং নৈয়ৈতুনা খুনতিন
য়াকা য়াথোকলে।

য়াথোক্‌পতা পাখঙ্‌পনা হায়লক্‌ই– ঈপা-পুং

ইপুংঙো সিতাপা, নমু তাইপং চাতোন সুতোনসিংনা, লাইকী চাতা নাওতানি হায়না চত্‌লকাতাপা অসিপু কলম্ হায়না তৌকপা। অসি ৱাতি হায়লপাতা সালাইলেলতি সিতাপা নুংপুঙ ৱাহল তৌতুনা হায়লক্‌ই। ঈপালীৱো ঈচাকী চাতা নাওতা সাতুনা লাইলুপ্ সাখায়সিংনা লাইকী লীচত্‌পু লৌতুনা-- চত্‌পা য়ালোইয়ে, অসুম্‌নতি মপালিতা হায়লক্‌লো। লাইকীলুপনা ঈচাকী চাতা নাওতাপু সোকউপা--



অসিতি লাইপুংথৌ তলেপ ইয়েক্ তলেপ্‌কী মতুং ইন্‌না ঈপানা ঙসিতকী হৌনা য়েক্ হায়না কৌলকে।

ঈচাকী চাতা নাওতানা লাইকী লুপ্‌না চত্‌লমপা কীতম্ লৌতুনা চত্‌লক্‌লাপাতি, লাইকা মীকা য়েক্‌নপা তৈনপা মৌনপা ওইসুনো। লাইপুংথৌ তলেপ্‌মক্‌কা য়েক্‌নপাসুং ওইসুনো। মাকী মাকী সালাইলুপ্ সাখায় পুম্‌নামক্ য়েক্‌নপাসুং

ওইস্নুনো। য়েক্নপা অসিকী মতুং ইন্না ঈকী চালো মৈ-লৌনপা য়ালোইয়ে।

অসুম্না হায়লপাতা মপালি তুক্থাপানা হায়লক্ই। ঈপাপুং ইপুংঙো সিতাপা, ইয়েক্ য়েক্ হায়লিপা অসিপু অমুক হন্না তাক্পিৱো হায়লপাতা, সিতাপানা হায়লক্লে। পালি ইপুংঙো তিংপাল্পা মপু কৌলিপা ইপুংঙো মহাক্কা লোয়নাতুনা লৈলিপা লাইপুংথৌ তলেপতা পক্তুনা



ঈকী মৱোং মান্না খুপী মলুম চাওনা অকোইপা ওইনা পক্ইয়ে। অকোইপা অতুপু ইয়েক্ কৌয়ে।

ইয়েক্ অতুকী মন্নুংতা ঈকী ফুন অমা লৈয়ে অতুপু ঈলিক্ কৌয়ে। ঈলিক্ অতুকা য়েক্নালে য়েক্ কৌয়ে। অতুকী মলমনা লাইপুংথৌ তলেপকী মসাতা পক্ৱে হায়তনা অপক্পাস্নু কৌয়ে। পালী ইপুংঙো লাইলুপ্ তলেপকা ঈচাকী ঈকা তিন্নতুনা পোকপা অসিপুনা সালাই কৌলে।

সালাইনা পোকপা অসিপুনা নাওতা হায়না কৌলে। নাওতাকী সালাইলুপ সাখায় পুম্নামক্না লৌলপতি য়েক্কা য়েক্কা ঈ লৌনপা ওইনুনো, মানা মনা তৌপা ওইসুনো।

সালাইলুপ সাখায় সিংনা চালৌ মৌ-লৌনপা তৌল-পাতি নাওতাকী সুথাং তলেপনা লোমকানিয়ে হায়না অসুম তৌনা তাকপিখিয়ে। পালি ইপুংঙো ৱালম অসিপু পুথাংকোক - ঈথাংকোক - পথাং - কোকনা



লেপনাপা য়াথংনে। পালি ইপুংঙো য়েককা য়েককা চালৌ মৌ-লৌনপা মীতি খংপা ওইতাসুনো। ঈচাকী নুংতকী খঙঙে হায়তুনা নুংখঙ কৌলকে।

ঈচাকী ঈতা লুপপে হায়তুনা, ঈন্সুপপা কৌলকে। অসুম্না লাইয়ামসিংনা লেপখালে। অসুম্ তৌনা—লাইপাক্কী সেক্নিংতা লাইনিংথৌ সিতাপা সালাই-লেল্না ওইঙম্লকপা লাইকীতি মমৈ, তাইপং-মী-কীতি মকোক পাখঙপানা ঈকী নিংথৌ ওইনা——

পাল্লপাতা থোক্খিপা থৌথোক্কী লাইলিক পুয়া-নে লেপ্না খঙপিৱো।

লাইলিক অসিপু লায়ল শাতি লাইপাক্সুং নিংথৌ-সুং লেপ্না মাংকাতানে লেপ্না খংপিৱো। লাইলিক ৱাকোকলোন থিলেল্ সালাই আমাইলোন পুকোক কৌপা পুয়াতি লাইলিক্ পুম্নামককী পুকোকনে-লেপনা খংপিৱো। অসুম্ হায়না মাইচৌ মালিনে লাইপাক নিংথৌ মীয়ামনে পুমনামক্তা মঙাং-



নিংথৌনা ঙাসাপাতা তাকপি তমপিখিপা ঙাসাপাকা ৱালি লীখুনপু মুংয়াংপা নিংথৌনা পাওতাক হিতেন্-তকী হল্লক্লপা মতাংতা লিপিখিয়ে।

অসুম তালাপাকা মুংয়াংপা নিংথৌনা, থাঙ খৌ-পোমপা খমসুনাহা তাপু ফংচৈয়ে, মৈতানা কোপা থাকী লৈপাককী মী হিংচাপাপু হাত্পা ঙমচৈয়ে, লেপ্না খঙপিৱো।

( লোইলাপা )

পুয়া অসিদা য়াওরিবা ময়েক ১৮ গী ইনুংলোন, খুনুংলোন, খোম্হ্নোক্কী ইরাই ইনিন অমসুং লুপকী ফমফম, শাগোন্নবা ইয়েকসিং ঃ—

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| ꯀ কোক | ꯁ সম | ꯂ লাই | ꯉ ঙৌ | ꯊ থৌ | ꯋ ৱাই |
| ꯃ মিৎ | ꯄ পা | ꯅ না | ꯌ য়াং | ꯍ হুক | ꯎ উন |
| ꯆ চীল | ꯇ ভীল | ꯈ খৌ | ꯏ ঈ | ꯐ ঋম | ꯑ আতীআ |



চৈসিং ইয়েক (অঙকা)

꯱ ꯲ ꯳ ꯴ ꯵ ꯶ ꯷ ꯸ ꯹ ꯱꯰

লোনসুম ইয়েক, (হসন্ত)

ꯛ ꯝ ꯜ ꯟ ꯞ ꯠ ꯡ ꯢ

চৈতপ ইয়েক,

ꯥ ꯤ ꯨ ꯦ ꯣ ꯩ ꯧ ꯪ

চৈখন ইয়েক (কমা)। ।
চৈখৈ ইয়েক, ॥
লুম ইয়েক (অরুন্ধ।) •

অপুন ইয়েক (দিয়াস) —
খুদম ইয়েক (অহংবা খুদম) ꯫